থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# নোংমই বন্দ পেলহৌদে, লেপ্তুবা অমা কৌসিরা!

ঙরাং, ইন্দিয়াগী ওপোজিসন পার্টি পূম্নক্না কৌবা 'ভারত বন্দ' মফম খরদা মায় পাক্লা, মফম খরদনা মচেৎ ওইনা মায় পাক্লা পাঙথোক্লকখিবগী পাউ তাখি। পাউদম অসি ইবা মীৎকুপ্তা ঐনা লৈরিবা ইন্দিয়াগী কেপিটেল সিটি দিল্লিদদি বন্দ অসিগী মমি পাক্লা শন্না তাবা উদে। টেলিভিজনদা উবদদি মচি খরদা ভোলুন্টিয়র খরনা অয়েৎ অথিং পীখিবা মাল্লি। মণিপুরদসু 'ভারত বন্দ' না মহৌশাগী পুন্সিদা চাওনা অকায়বা পীখি হায়না যূমদই পাউ পীরকখি।

পাউচে খুদিংমক্কী ফ্রন্ট পেজদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙনরবা পাউ অদু পাউদম ওইনা তমজররোই। পেট্রোল, দিজল, কুকিং গেসনচিংবা মোদর্ন লিভিং/অনৌবা পুন্সি মহিং অসিগী নোংমগী ওইবা খ্বাইদই তঙাইফদবা পোৎলমশিং অসিগী মমল, নোংমা নোংমগী থিংবা ঙম্বগী ৱাংমদা অতিয়া পক্লা ৱাংখৎলকপসিগী মায়োক্তা তৌবা ৱাকৎ অসিমদি তঙাইফদনা তৌফম থোকপা অমনি খন্দুনা, ৱাফমদুগা মরী লৈননা থম্মোয়গী ওইবা ৱাহৈ খরা পাউদল্লিবনি। মোদি কৌবা অওনবা পান্থা, ইন্দিয়াবু ট্রান্সফোর্ম তৌগনি চোংথোরকপা পোলিটিসিয়নদুবুদি থম্মোয়সিদা ঈরাৎচবা মীচম অমনি ঐ। মীচম মীয়াম্না য়াইফ নুংঙাই ওইরকপদুনি লৈপাক অসিনা চাউখৎলকপা। কোংগ্রেস-কম্যুনিষ্ট-বি জে পি পোলিটিকেল পার্টি ঙাক্তনি - মীয়ামগীদমক য়াইফনবা থৌরাং থৌশিল য়াৎপদুনা মরুওইবা থৌদাংনি। ঐগী পার্টিনা লৈঙাক পায়রি, পার্টিসিনবু তৌরবা পূম্নমক অফবা ঙাক্তনি হায়বা ৱাখল অদুদি ৱার্করশিংনসু খল্লোইদবা ৱাখলনি। হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাকসি কোংগ্রেসনা লুচিংবা ওইরল্লবা, থাউ অমসুং গ্যাসকী মমল ঙসিগী অসুম্না ৱাংলল্লবা 'ও... নখোয়গী কন্ট্রোল ৱাংমদা লৈখ্রবা ফোরেন ফেক্টর ময়াম্না হেনগত্তবা য়াদদুনা হেনগৎলিবনি, নখোয়না ঙল্লকান্দা অমুক হন্থহল্লকউ' ... হায়দুনা থৌজাল পীরমগদ্রা? নৎত্রগা, বি জে পিগী মপাঙ ওইবা এন দি এগী পার্টিশিং! নখোয়সু লম্বী সরক্তা থোক্তুনা লাউ খোংবা তৌরমগদ্রা?

তৌরমগনি। অকনবা ষ্ট্রাইক তৌরমগনি। মালেমগী অতৈ লৈপাকশিংগা, যূমলোন্নবা লৈপাকশিংগা চাংদম্নদুনা লৈঙাকসিগী অঙম্বশিংবু শোয়দনা চৈ-থাংলমগনি। ইনিদয়াগী সিটিশিংদা খ্বাইদই পেট্রোল মমল তাঙবা মুম্বাইনি (লুপা ৮৮.২০ নি), চেন্নাইদা লুপা ৮৪, কোলকটাদা লুপা ৮৩.৭০, দিল্লিদা লুপা ৮০.৮০। বিহারদা লুপা ৮৭, মধ্য প্রদেশতা ৮৬.৫০, অন্ধ্র প্রদেশতা ৮৬.৩০, পঞ্জাবতা ৮৬.১০, জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা ৮৫.৭০ অসিনচিংবা। খ্বাইদগী হোঙবা ষ্টেটসি গোৱা (লুপা ৭৪.৬০) অমসুং মিজোরম (লুপা ৭৬.৬০) নি। হায়রিবা পোৎ অসিমক পাকিস্থানদনা লুপা ২৬, বাংলাদেশতা ২২, ক্যুবাদনা ১৯, ইটালিদা ১৪, নেপালদনা ৩৪, ম্যান্মারদসু ৩০, অফঘানিষ্টানদা ৩৬, শ্রী লঙ্কাদা ৩৪ দা য়োল্লিবনি কৈথেলদা। যু কে - ইজরেলনসু ইন্দিয়াদগী হেন্না হোংবা মমলদা পেট্রোল য়োনবা ঙম্লিবসিনা কমদৌবা? লৈঙাকসিনা করিমত্তা তৌবা ঙমদবা করিগুম্বা খরা লৈবনা পেট্রোলগী মমল হন্থহনবা ঙমদবনি হায়বা ৱারোলসিদা য়াওরিবা করিগুম্বা খরদু করিনো? মোদিনা মীয়ামদা ফোঙদোক্কদবনি। বি জে পিগী মেম্বরশিং! মখোয়সু লৈপাকসিগী মীওই ঙাক্তনি, ওপোজিসন পার্টি মেম্বরশিংনা ফংলিবা চৈনা-চৈথেংশিং, মখোয়দদি মৈশা লাংদবা জাৎলা? নৎত্রগনা, চৈনা অদু খাঙবা ঙম্বা, পোৎলুম অদু পুবা ঙম্বা অখন্নবা শক্তি অমা মখোয়গী লৈঙাকপশিংনা পীবরা? মখোয়না চীন থোক্লিবা করিগীনো?

মসিমদি খনবা থোক্তে ঐ। মখোয়না হায় 'বন্দ অদু মপূম ফাদে'। হায়বদি মীয়াম্না শৌগৎতে,'সিরা হায়নিংলিবসে। থাউগী মমল হেনগৎলিবা, গ্যাসকী মমল হেনগৎলিবা, মদুগী চেন ইফেক্টনা অতৈ পোৎ খুদিংমক্তা মমল হেনগৎলিবা ... মসি অরানবনি হায়রিবরা? ইনিদয়নশিংগী পোলিটিক্স! খনফম খঙদে ঐ। নোংমগী ওইবা ষ্ট্রাইকতুগী খ্বাইদই কনবা ইফেক্ট অমা ফংফম থোকপা দিল্লিদা থোইনা কনবা চৈথেং অমা ফংখিদবগী মরমদু পাউচে অমদা অসুম্না ইরকই - দিল্লিদা লৈঙাক পায়রিবা অপূনবা ওপোজিসন অসিগী মরুওইবা পার্টি ওইরিবা আম আদমী পার্টিনা নোংমগী ওইবা অপূনবা ওপোজিসনগী ভারত বন্দ অসি শৌগৎলোই হায়না হান্না ৱারেপ লৌরুবননি। কোন্নবুদি শৌগৎলগনি ৱারেপ্পখিবদু মীয়ামদা পাউ য়ৌখিদবনি।

বন্দ শৌগৎপশিংনা লম্বী থিংদুনা, অনাবা পুরকপা এম্ব্যুলেন্স গাড়ী অমা চৎহনখিদবদগী হোস্পিটাল য়ৌবা ঙমদদুনা অঙাং অমা বিহারদা শিখিবদু নত্তনা থোইদোকপা মীশি-মীনা, অমাঙ-অতা থোকখিদে হায়না রিপোর্ট তৌনরবনিনা ষ্ট্রাইক অদু মায় পাক্ত্রে হায়না লৌরগনি হায়বসি মীয়াম অমদি লৈঙাকসিগী ফিরেপনি। নোংমগী লেপ্তুনা হেনগৎলিবা থাউগী মমল, অদুম হেনগৎলকখিনি। লেপ্তুনা হাইথরক্লিবা ইন্দিয়ন রুপী (লুপা) গী মমল লেপ্তুনা হাইথরকখিনি। লৈঙাকসিদি য়েংদুনা লৈবা নত্তনা করিসু তৌবা ঙল্লোইদবনিনা ২০১৯ গী অঙনবা শরুক, পার্লিয়ামেন্টকী মীখল অমা পাঙথোক্কদৌরিবসি ফাওবা ঙাইবা তাবনিনে হায়! করিদি তৌরুনি? মোদিনা মীয়ামসিবু কয়ামুক য়াম্না পঙথহনবা ঙম্বগে য়েংবা তাইদনা হৌজিক।

অওনবা পান্থা লৈপাকনি ঐখোয়গী লৈপাক ইন্দিয়া। টেলিফোন তৌদুনা কৌবদা পিজানা হান্না ফায়র বৃগেদ/এম্ব্যুলেন্সতকী হান্না য়ৌরকপা লমনি ইন্দিয়া! মশীং খঙদবা মোবাইল এস এম এস ফ্রীদা নুংতিগী তৌহল্লগা চেঙ কিলোদা লুপা নিফু পীবা লম! দুর্গা/লক্ষ্মী/পান্থোইবীবু লাইরেম্বী ওইনা লাৎলগা, মমা ওইবীগী পীবুক্কদা নুপী অমা মিতল্লক্লে খঙবদা হাৎতোক্লবা হোৎনবা লম! ওলিম্পিককী নোংমৈ কাপফম শুটিং রেঞ্জতা পান্দম চুম্না কাপ্লগা সনাগী মেদল পুরকপদা লুপা ক্রোর অহুম পীরগা ঙমখৈ ঙাকপা লাম্মীনা য়েক্লবা তম্না পান্দম্বদা চুম্না নোংমৈ কাপখিবা, মথ্বায়না পোন্থা পীরগা আর্মি-মেদল ফংলকপদুদনা লাখ অমখক পীবদা মখূৎ থক থক নীকপা লম!

খঙদে! পেন্দবগী হায়রুরদি নোংমই বন্দনা পেলহৌদে। পেন্দবা ময়ামগী পরেং অমা লেংলগা লেপ্তুবা বন্দ কৌনবা, অনৌবা এলায়েন্স অমা শেম্লসিরা।



লৌশিং পূক্কে

# ফেসবুক অমসুং পূক্লিং-ৱাখলগী ফীভম

মীওইবনা ফেসবুক শীজিন্নবা তোক্লবদি পূক্লিং-ৱাখল ঈংথরকই অমসুং টেন্সন য়াওদনা পূক্লিং মকা লাম্না হিংবা ঙম্মী হায়না ওষ্ট্রেলিয়াগী ব্রিসবেনদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ ক্বিন্সলেন্দগী থিজিন-হুমজিনবা কাঙবু অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ফেসবুক শীজিন্নবা মীওই কয়াদা পূক্লিং-ইথিল পীরগা ভোট খোম্বগী থৌওং চথৈ হায়বা কম্ব্রিজ এনালাইটিকাগী ৱাথোক থোরকখ্রবা মতুংদা ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি ফোঙলকখিবনি। য়ুনিভর্সিটি ওফ ক্বিন্সলেন্দগী স্কুল ওফ সাইকোলোজিদা ওজা ওইবা প্রোফেসর এরিক ভেনমেননা লুচিংদুনা চথখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়, মীওইবনা ফেসবুক শীজিন্নবা হেক তোকপগা কোর্টিসোল কৌবা ষ্ট্রেস হোর্মোনগী চাং হন্থরকই।

ফেসবুক্লা মীওইবদা পীবা চৈথেং চপ চানা খঙদোক্লবগী পান্দমদা প্রোফেসর ভেনমেন অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা মীওই ১৩৮ কাঙলুপ অনী থোক্লা খায়দোক্লগা চাংয়েং তৌরম্মী। কাঙলুপ অমবু নুমীৎ মঙানি চুপ্না ফেসবুক শীজিন্নহল্লমদে। অতোপ্পা কাঙলুপ অমদুদি হান্নগী মতৌগুম অদুম শীজিন্নহল্লম্মী। নুমীৎ মঙানিগী মতুংদা সেম্পল লৌরগা চাংয়েং তৌবদা ফেসবুক শীজিন্নবা মীওই কাঙলুপ অদুদা ষ্ট্রেস হোর্মোন কোর্টিসোল চাং ৱাংনা য়াওরম্বা থেংনখি।

মেদিকেল ন্যুজ টুদেদা ফোঙলকপা রিপোর্ট অমদা প্রোফেসার ভেনমেননা হায়, কোর্টিসোলগী চাং কা হেন্না ৱাংলবদি পূক্লিং-ৱাখল লাঙতক্লরকপগা লোয়ননা ইম্যুন সিষ্টেমদা অকায়বা থোকহল্লকই, নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়াই হন্থরকই অমসুং হকচাংগী অরূম্বা হেনগৎলকই। মতম শাংনা ফেসবুক শীজিন্নরল্লগা অহানবা হেক থাদোকপা মতমদদি ইহৈ হৈনিংদবা অমসুং ৱাখল নুংঙাইতবা ফাওরকই। অদুবু মতম খরা লৈরগা মশা মথন্তা ফজখিগনি। হায়রিবা থৌওং অসি ৱাটসএপ, ত্বিটর অমসুং ইন্সটাগ্রাম্ম চিংবা সোসল নেটৱার্ক খুদিংমক্তা চপ মান্ননা থোকই। মরম অদুনা পূক্লিং-ৱাখলগী ফীভম ফনা লৈহনগে হায়রবদি সোসল মীদিয়া প্লেটফোর্মদগী লাপথোকপা মথৌ তাই হায়না প্রোফেসার ভেনমেননা ফোঙদোকখি।

চহী নৌরিবা অঙাংশিংগীদমক্তদি কা হেনবা মওংদা ফেসবুক অমসুং অতৈ সোসল মীদিয়া শীজিন্নবনা পূক্লিং-ৱাখলগী ফীভমদা য়াম্না চাউনা অহোংবা লাকহল্লি। কেলিফোর্নিয়া ষ্টেট য়ুনিভর্সিটিগী সাইকোলোজিগী প্রোফেসার, ডা. লেরি রেসেননা শাংলবা চহী ২৫ চুপ্পা মীওইবদা টেক্নোলোজিনা পীবা চৈথেংগী মরমদা থিজিন্দুনা লাকখি।

তোঙান তোঙানবা সর্ভে ১০০০ গী রিপোর্ট নৈনরবা মতুংদা প্রোফেসার লেরি রোসেননা হায়, ইনখৎলকপা নহারোলশিংনা কা হেনবা মওংদা ফেসবুক শীজিন্নরবদি পূক্লিং-ৱাখলগী ফীভমদা অহোংবা লাকহনবগা লোয়ননা মশাখক্তবু মরুওইনা লৌরকই। তূম্বা-চাবগী মতম কায়রকপগা লোয়ননা মহৈ তম্বদসু অকায়বা থোকহল্লকই।

কেলিফোর্নিয়া ষ্টেট য়ুনিভর্সিটিদা সাইকোলোজিগী প্রোফেসার ওইবা লেরি রোসেননা অমেরিকান সাইকোলোজিকেল এসোসিয়েসনগী ১১৯ শুবা কনভেন্সনদা পুথোরকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়, নুমীৎ খুদিংগী ঙাইহাক্তং ওইরবসু ফেসবুক অমদি অতৈ টেক্নোলোজি শীজিন্নবা মহৈরোয়শিং মহৈ তম্বদা শোৎথরকই। ফেসবুক্তা মায় ওনশিনবগী চাং ৱাংলিবমখৈ মহৈ তম্বদা শোৎথরকপগী চাংসু ৱাংই।

মতমগী য়াওলদা লোয়নরকপা ওইবনা অঙাংশিংদা ফেসবুক পায়হন্দবা হায়বসিমদি ওইথোক্লরোইদবা ৱাফমনি। অদুম ওইনমক চাবা, তূম্বা, লাইরিক পাবা, শান্নবা অমসুং ফেসবুক পায়বগী মতম খায়দোক্তুনা কা হেনবা মওংদা টেক্নোলোজি শীজিন্নহল্লোইদবনি।

পুমথিং থিংজিন্দুনা ফেসবুক পায়হন্দবা মতমদা অঙাংশিং মথৌদা পূক্লিং চঙবা ঙল্লক্তে। অদুবু পুং অসুক্তগীনা অসুক ফাওবা ফেসবুক পায়বগী মতমনি হায়না অকক্লবা মতম খরা পীবীরবদি থোইনা অকায়বা লৈতে। মমা-মপা ওইবশিংনা মচা নিংঙাই তৌরক্তনবনি হায়দুনা পীশক পীক্লিবা অঙাংদা মোবাইল শান্নহনবদগী অঙাং কয়া মোবাইল গেম অমসুং ফেসবুকতা লাইচুখিবা য়াওদবা নত্তে। অঙাংদা অফবা লীচৎ-শাজৎ, থকশি-খাশি অমসুং হৈনবী লৈহনগে হায়রবদি য়াম্না পীক্লিঙৈ, চহী য়াম্না নৌরিঙৈদগী তম্বীবা হৌগদবনি। ফহন্নিংলিবনি হায়দুনা অঙাংদা অকন-অকনবা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নদুনা চৈ-থাংবগী কান্নবা লৈতে। অঙাংশিংদা ৱা ঙাঙনবগী খুদোংচাবা পীবীবগা লোয়ননা পূক্লিংগী অপাম-পামদা মপুং ফানা খঙদোক্লবা হোৎনগদবনি। অঙাংগী ৱা মপুং ফানা তাবীবগী মহুত্তা ফহন্নিংলিবনি হায়দুনা পংচৈদা চৈশিল্লবদি ওন্ন-তৈনবা মায়কৈদা চৎখিদুনা হেন্না মাঙ-তাক্লবগী মরম ওইহল্লকপা য়াই হায়না প্রোফেসার লেরি রোসেনগী রিপোর্টনা ফোঙদোক্লি।

# কোংগ্রেসকী মতমদা থাউ লিটরদা ৩০০ য়ৌখিবদু কাউথোক্লগা বন্দ তৌরে : বি জে পি

## 'কোংগ্রেস কন্সট্রক্টিব ওপোজিসনগী থৌদাং লৌবা ঙমদবা পার্টিনি'

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১(ঐচএনএস): ষ্টেট অসিদা কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রিঙৈ মতমদা থাউ লিটরদা লুপা ৩০০ য়ৌখিবদু কাউথোক্লগা বন্দ চথুরে। পার্টি অসিগী মতুংইন্নবা মী লৈশিল্লক্তবদগী মিনিষ্টর এম এল এ ওইরম্বা কয়া লম্বীদা থোক্তুনা বন্দ তৌরে হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) কে সরতনা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

বি জে পিগী টেম্পররি ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা কে সরতনা হায়খি, কোংগ্রেস পার্টিনা ইন্দিয়া পূম্বদা বন্দ তৌখিবা অদুগী মনুং চন্না মণিপুরদসু বন্দ চথুখি। অদুবু, বন্দ অদু মীয়াম্না মপূং ফানা শৌগৎতবনা মরম ওইদুনা মপূং ফাখিদে। বন্দ মনুংদা লম্বীদা মী য়াম্না চৎনখি।

কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রিঙৈ মতমদা মিনিষ্টর অমদি এম এল এ ওইরল্লবা কয়া য়াওনা লম্বীদা থোক্তুনা বন্দ তৌরে। কোংগ্রেসকী মতুং ইন্নবা মী লৈশিল্লক্ত্রে। ষ্টেট অসিদা কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রিঙৈ মতমদা থাউ লিটরদা লুপা ৩০০ ফাওবা য়ৌবা লৈখিবনি। চাকথোং গ্যাস ফংনদবগী অৱাবা কয়া ফাওবা থেংনখি। স্কুল ভেন কয়া থাউ হান্নবা লৈতবদগী মহৈরোয় কয়া মতম শাংনা মহৈ-মশিন তম্বা ফংদবা তাঙ্কক ফাওবা য়াওখিবনি। লমদম অসিদা বন্দ তৌবা হায়বসি মীয়াম্বু অৱাবা পীবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা ৱা ঙাংলদুনা বি জে পি মণিপুরগী ৱাঙাংলোয় সী ঐচ চিদানন্দনা হায়খি, কোংগ্রেস পার্টি অসি কন্সট্রক্টিব ওপোজিসনগী রোল লৌবা ঙমদবা পার্টিনি হায়বা তাক্লে। এ আই সী সীগী য়াথং মখাদা ইন্দিয়া পূম্বদা বন্দ তৌখ্রে। মণিপুরদসু বন্দ অসি চথুখ্রে। কোংগ্রেস পার্টি অসি নন-ভাইওলেন্সতা থাজবা পার্টি ওইরিব্রা হায়বা ৱাফম লাক্লি। লৈঙাক পায়দ্রবদি লৈবা ঙমদবা পার্টিনি হায়বা তাক্লে। লৈঙাক পায়রল্লবা কোংগ্রেসকী লুচিংবা কয়ানা লম্বীদা থোক্তুনা বন্দ তৌরে। পোৎ-চৈগী মমল তাঙবগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টতা নৎত্রগা এসেমব্লিদা পুখৎতুনা সজেসন কয়া পীবা য়াই।

কোংগ্রেস পার্টিনা লৈঙাক পায়রিঙৈ মতমদসু পোৎ-চৈগী মমল তাঙবগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নখিবনি। বন্দ, ব্লোকেদ লৈতবা লমদম অমা ওইহন্নবা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা লাকখিবনি। যু পি এগী মতমদসু থাউগী মমল হেনগৎপগী ৱাফম লৈখি। পেট্রোল, দিজলগী মমল অসি লৈঙাক্না কন্ট্রোল তৌখিদ্রে। থাউগী মমল হেনগৎলকপদা মালেমগী ওইবা ফেক্টর ময়ামসু লৈরমগনি। বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্না তুং কোইনা চৎনবা য়াবা থৌশিল কয়াসু য়েংলিবনি। কোংগ্রেস পার্টিনা বন্দ তৌখিবা অদুনা মীয়ামদা চাওনা অৱাবা পীখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# রাহুল গান্ধিগী মথক্তা এফ আই আর লৌখৎখ্রে

মোরিগাওন, সেপ্টেম্বর ১১: কোংগ্রেসনা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা কৌখিবা বন্দনা মীচম-মীয়ামদা খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লে হায়বগীদমক অসামগী হ্যুমেন রাইটস এক্তিভিষ্ট অমনা পুলিসতা কমপ্লেন্ট ফাইল তৌখ্রে।

এজেন্সিগী পাউনা হায়, সহাই কৌবা এন জি ও অমগী প্রসিদেন্ট রাজু মহন্তনা মোরিগাওন সদর পুলিস ষ্টেসন্দা কমপ্লেন্ট ফাইল তৌরদুনা মীচম মীয়ামদা কোংগ্রেসনা অৱাবা পীরে হায়না ৱাকৎখি। বন্দনা মরম ওইরগা অনাবা কয়া হোস্পিটালদা পুখৎপদা অপনবা ওইখি অমসুং মীওই কয়াগী রাইট খোঙ্গাওনখি হায়নসু মহাক্না ৱাকৎখি। ৱাকৎ অদুদা যুম্ফম ওইরগা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিগী মথক্তা এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌরে হায়না সিনিয়র পুলিস ওফিসর অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি। অসামদা মখল অমত্তগী বন্দ অমসুং ষ্ট্রাইক তৌবা য়ারোই হায়না মমাঙ চহীদা গৌহাতি হায় কোর্টনা পীখিবা ৱায়েলদা যুম্ফম ওইরগা এফ আই আর রেজিষ্টর তৌখিবনি হায়রি।

HL-B/4822/30/8-30/9

# কোংগ্রেসনা বন্দ তৌদুনা মীয়াম ৱাহনবা লাইবক থীবনি : সুসিন্দ্রো

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১(ঐচএনএস): কোংগ্রেসনা বন্দ কৌদুনা মীয়াম ৱাহনবা লাইবক থীবনি হায়না এম এল এ, এল সুসিন্দ্রোনা ঙসি কোংপাল সাজোর লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা খুঙ্গং চৎসি থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

দি সী ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এম এল এ সুসিন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবদা, মমাংগী লৈঙাক্কী মতমদা পেট্রোলগী মমল লুপা ৩০০ য়ৌখিবা অমদি ওইল পম্প মমাংদা থাউগী ক্যু লেপ্পখিবা মতমদা করিগী তুমিন্না লৈখিবনো। বন্দ কৌদুনা মীয়ামদা চৈথেং পীবসি ইকায়নিংঙাইনি। লমদম অসি চাউখৎহনসি হায়রবদি মীয়াম্বু লান্না লমজিংনবা হোৎনরিবা অমসুং অৱাবা চৈথেং নংহল্লিবা কোংগ্রেস পার্টি মুখৎপা মতম ওইরে। চাউখৎ থৌরাংগী খোঙথাং অমা ওইনা লৈঙাক্না দিমার্কেসন তৌরকপা মতমদা ৱারৌবীগনু। খোঙথাং অদু মীয়ামগী য়াইফনবনি খল্লগা মতেং পাংবীয়ু। লৈঙাক্কী থবক তৌবশিংনা নেসনল ফূদ সিক্যুরিটিগী রাসন কার্দ পায়রিবশিং অদু থবক অদুম তৌবনা ফত্রা নৎত্রগা চেঙ ফংবনা পান্না হায়বসি খনবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা খুরাই লাইশ্রম লৈকায় জি পিগী প্রধান এন জি জোননা প্রসিদেন্ট ওইখি। খুরাই নাগৈ দবম লৈকায় জেদ পি মেম্বর এ ওকেন্দ্রনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

# দি সীনা লৌরিবা ফিরেপ্তা পেন্দবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর১১(ঐচ এন এস): নেসনল হায়ৱে ১০২গী লম্বী পাকথোকপগী মতাংদা দি সী থৌবালনা লৌরিবা ফিরেপ পেন্নীংঙাই ওইদ্রে হায়না নেসনল হায়ৱে ন্যু এলাইনমেন্ট এফেক্টেদ লেন্দ ওনর কম্মিটি ৱাংজিংনা পেন্দবা ফোঙদোরক্লি।

নেসনল হায়ৱে ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদ (এন ঐচ আই দি সী এল) গী রিদ মেপতা য়াওরিবা খুল অসিগী লম শোক্লবা পাট্টাদারশিংগী ওইবা খন্না নৈনবা মীফম অমা ঙসি ৱাংজিং এস কে লৈকায়দা পাঙথোকখ্রে।

কম্মিটি অসিগী মীহুৎ তেকচম রামেশ্বরনা ফোঙদোরকপদা ৱাংজিং এরিয়াগী ওইনা লম লৌশিনবা অসি সরক্কী নোংপোক থংবা মায়কৈনা মখা থংবা মায়কৈদগী হেন্না লৌশিন্নবা মেপ অসিদা য়াওরিবা অসি রি সর্ভে তৌনবা ইন্সত্রক্সন লৈখ্রবসু দি সী থৌবালনা লৌবিদ্রে।

মমাঙদা লৈরম্বা দি সীনা পব্লিক হিয়ারিং চথুদুনা লেন্দ এক্যুজিসন এক্টকী চৎন-কাঙলোন ঙাক্লা পায়খৎলম্বা থবক থৌরম কয়া অমদি ফোর্থ লেন্দ শেম্নবগীদমক তঙাইফদনা চঙবা ফিট ৫০/৫০ লৌশিন্নবা পায়খৎলম্বা খোঙথাং খুদিংমক লোইনা ওন্থোকপীখ্রে। মদুগী মহুত্তা মাঙজৌননা খঙহনবা তৌদনা নোটিশ থোক্লগা মীয়াম্বু চৈথেং ফংহল্লে। ৱাংজিংগী মীয়াম্না শেমগৎ শাগৎপগী মায়োক্তা লৈবা নত্তে অদুবু লেন্দ এক্যুজিসন এক্ট ২০১৩গী মখাদা, মান্নবা মীৎয়েং অমা য়েংবীদুনা শেমগৎ শাগৎপগী থবক পায়খৎপীয়ু, মীয়ামগী হক মৎনবা হোৎনবীগনু। মরম অসিনা সেপ্টেম্বর ১৩ ফাওবগী মনুংদা দি সী থৌবালনা অনৌবা ফিরেপ অমা লৌরক্তবদি কম্মিটি অসিনসু য়ুনাইটেদ এক্সন কম্মিটি ফ্রোম লিলোং টু ৱাংজিংনা কৌরিবা সেপ্টেম্বর ১৪ অমসুং ১৫গী থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট বন্দ অসি মপূং ফানা শৌগৎকনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

# ꯄꯤꯑꯦꯆ.ꯗꯤ/ Ph.D. Degree Awarded



**Miss Aribam Rebecca Sharma**, Master of Social Work, has been awarded the Degree of Doctor of Philosophy (Ph. D) in Sociology from Annamalai University for her thesis titled ***"A Sociological Study on HIV/AIDS Patients in Manipur State, India"*** under the supervision of **Dr. R. Lakshmi,** Prof. & Research Supervisor, Dept. of Sociology Annamalai University, Tamil Nadu, India on 02.08.2018 under the UGC rule 2009 regulations.

***She has Published 3 articles during her research studies :***

1. 'A study on woman's autonomy and reproductive behaviour', in the National Journal of Humanities Journal.
2. 'HIV/AIDS in Indian scenario', in the International Journal of management and social science research review.
3. 'The dimensionality of social impact on HIV/AIDS patients', in the International Journal of applied management research.

She has presented 8 research papers both at the International and National seminar/ conference related to the research topic and received a scholarship for 1 year (2015-16) during her research studies (Ph.D.) from Annamalai University.

She is the daughter of **Late Aribam Janaranjan Sharma** and **Hajarimayum Purnima Devi** of Brahmapur Nahabam Bamon Leikai, Imphal East.

HL-P/5357/12


**CAS Foundation**

An Institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi

ADMISSION OPEN

FOUNDATION COURSE

CLASS XII, XI & X

SPECIAL FEATURES:
1. Chapterwise/Unitwise authentic study materials
2. Exam. oreinted test series for final exam
3. Probable questions and answers for 2019 exam.
4. Special Fee concession for CASIANS
5. Vision for toppers for 2019 final exam.



8th Position LANCHENBA OINAM HSLC Exam 2018; 94% (Man.E.M.Sc.,S.Sc.,Hm)

19th Position DEEPAK OINAM HSLC Exam 2018; 92% (Man.E.M.Sc.,S.Sc.,Hm)

ROHIT KHUMUKCHAM HSLC Exam 2018; 75.8% (Man, M, Sc.)

MAIBAM STEPHEN HSLC Exam 2018; 74.5% (Man, M)

LUNGINMANG HAOKIP HSLC Exam 2018; 72.6% (MIL, E)

Classes for new last batches starts from 10th Sept. 2018

Seats are limited First come First Served

Facility of:- #Morning Batch # Evening Batch

For Details Contact: CAS office, Keishampat Junction Imphal



ADMISSION OPEN

ENGLISH COACHING

For

- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- ENGLISH COURSE FOR X & XII
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE

[Eligibility : Class X, XII, Graduate & Young mothers]

At

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

Contact Nos. ☎ 8974642764

HL-P/3623/6/9-6/10




